


# সনালৈবাক স্পোর্টস

IMPHAL, TUESDAY, MARCH 27, 2018 PAGE 7




*চহী অসিগী এপ্রিল ৭ তগী হৌগদৌরিবা ইন্দিয়ান প্রেমিয়র লীগ ক্রিকেট টুর্নামেন্টকী মরুওইবা টিম অমা ওইরিবা রাজস্থান রোয়েলস টিমগী কেপ্টেন ওইরম্বদগী পোখারগদবা ওষ্ট্রেলিয়া মচা ষ্টিভ স্মিথ*

*য়ুএসএদা পাঙথোক্লিবা মিয়ামী ওপন টেন্নিস টুর্নামেন্টকী নুপাগী সিঙ্গলসকী অহুমশুবা রাউন্দদা ফ্রান্সকী শান্নরোই জেরিমী চার্দিগী মখূত্তা মায়থিহৌরবা ৩শুবা সিদেদ শান্নরোই বলগেরিয়াগী গ্রিগোর দিমিত্রোভ*

## ইন্দিয়াগী সুট্টর অনিস বনৱালাল আইএসএসএফ জুনিয়র সুট্টিং ৱার্ল্ড কপকী মিটর ২৫ গী রেপিদ ফায়র পিষ্টোল ইভেন্টতা গোল্ড মেডল ফংখ্রে

*সিদনি, মার্চ ২৬ঃ*

ওষ্ট্রেলিয়াগী সিটি সিদনিদা পাঙথোক্লিবা ইন্টরনেসনেল সুট্টিং স্পোর্টস ফেদরেসন (আইএসএসএফ) কী জুনিয়র ৱার্ল্ড কপ্তা ইন্দিয়াগী সুট্টর অনিস বনৱালালনা নুপাগী মিটর ২৫ গী রেপিদ ফায়র পিষ্টোল ইভেন্টতা গোল্ড মেডল ফংবা ঙমখ্রে।

মশাগী চহী ১৫ দা ঙাইরিবা ইন্দিয়াগী সুট্টর অনিস বনৱালালনা জুনিয়র ইভেন্ট অদুগী নুপাগী কাঙলুপ অদুগী ক্বালিফায়িং রাউন্দদা অতোপ্পা ইন্দিয়াগী সুট্টর অনী অনহাদ জৱান্দা অমসুং রাজকনৱর সিংহ সান্ধুবু মায়থিবা পীরবা মতুং ফাইনেল রাউন্দদা চাইনাগী সুট্টর ৩ মায়থিবা পীরগা ইভেন্ট অদুগী গোল্ড মেডল ফংবা ঙমখিবনি।



*আইএসএসএফ জুনিয়র ৱার্ল্ড কপ সুট্টিংদা মিটর ২৫ গী রেপিদ ফায়র পিষ্টোলদা গোল্ড ফংখ্রবা ইন্দিয়াগী অনিস (ময়াঃ)*

ইন্দিয়াগী অনিস বনৱালালগী গোল্ড মেডল অদু থারগা ওষ্ট্রেলিয়াগী সিটি সিদনিদা চথরিবা আইএসএসএফ জুনিয়র সুট্টিং ৱার্ল্ড কপ অদুগী মেডল টেলিদা ইন্দিয়াগী টিম গোল্ড মেডল ৬, সিলভর ৩ অমসুং ব্রোঞ্জ মেডল ৬ ফংলগা অপুনবা মেডল ১৫ লৈদুনা চাইনাগী মথংদা টেবলগী অনীশুবা মফম কনবা ঙম্লি।

ইন্দিয়াগী জুনিয়র সুট্টরশিংনা অসিনা সিদনিগী আইএসএসএফ জুনিয়র সুট্টিং ৱার্ল্ড কপ অদুদা মমাঙদা মকোক থোংবা ঙম্লম্লবা ইটালি অমসুং য়ুম্বু ওষ্ট্রেলিয়াদগী মেডল ফংবগী পরিংদা হেন্দুনা অনীশুবা থাক্তা লৈবা ঙম্লিবনি।

আইএসএসএফ জুনিয়র সুট্টিং ৱার্ল্ড কপ অসিগী নুপাগী মিটর ২৫ গী রেপিদ ফায়র কম্পিটিসনদা চাইনাগী টিম্মা অনৌবা জুনিয়র ৱার্ল্ড কপকী রেকোর্দ অমা থমদুনা পোইন্ট ১৭৩৩ দা গোল্ড মেডল অদু লৌবা ঙমখি।

টিম ইভেন্ট অদুগী ওইনা ইনিদয়াগী সুট্টর অনিস বনৱালা, জৱান্দা অমসুং আধস সিংহনা সিলভর ফংখি। লোয়ননা ইভেন্ট অদুগী ব্রোঞ্জ মেডল অদুসু ইনিদয়াগী টিম সান্ধু, জপটিয়েস সিংহ জস্পাল অমসুং মন্দিপ সিংহনা লৌখি।

আইএসএসএফ জুনিয়র ৱার্ল্ড কপ সুট্টিং অসিগী নুপাগী মিটর ২৫ গী রেপিদ ফায়র পিষ্টোল ইভেন্ট অদুদা গোল্ড মেডল লৌখ্রবা ইন্দিয়াগী অনিস বনৱালালনা মমাঙগী থাদা মেক্সিকোনা য়ুম্বু ওইরগা লৈবাক অদুগী সিটি গ্বাদালাজারাদা পাঙথোকখিবা আইএসএসএফ ৱার্ল্ড কপকী অহানবা ষ্টেজদা ৬শুবা পোজিসন তাখিবনি।

ওষ্ট্রেলিয়াগী সিটি সিদনিদা পাঙথোকপা আইএসএসএফ ৱার্ল্ড কপকী অনীশুবা ষ্টেজদা ইনিদয়াগী চহী নৌরিবা সুট্টর অনিস বনৱালানা মঙোন্দগী মমাঙদা ফজদুনা লাকখিবা অতোপ্পা লৈবাকশিংগী সুট্টরশিংবু নমথরগা ইভেন্ট অদুগী গোল্ড মেডল লৌখি।

## ওষ্ট্রেলিয়াগী গোল্ড কোষ্টতা পাঙথোক্কদৌরিবা ২১শুবা কম্মনৱেল্থ গেমসকীদমক ইন্দিয়াগী স্পোর্টস মিনিষ্ট্রিনা শান্নরোই অমসুং ওফিসিয়েল য়াওবা মীওই ৩২৫গী লিষ্ট অয়াবা পীখ্রে



*ন্যু দিল্লি, মার্চ ২৬ঃ*

চৎলিবা চহী অসিগী এপ্রিল ৪ দগী ১৫ ফাওবা ওষ্ট্রেলিয়ানা য়ুম্বু ওইরগা লৈবাক অদুগী সিটি গোল্ড কোষ্টতা পাঙথোক্কদৌরিবা ২১শুবা কম্মনৱেল্থ গেমস শরুক য়াগদবা ইন্দিয়াগী শান্নরোই অমদি ওফিসিয়েল য়াওবা মেম্বর ৩২৫ লৈবাক অসিগী স্পোর্টস মিনিষ্ট্রিনা গেমস অদুদা শরুক য়াবগী অয়াবা পীখ্রে।

ইন্দিয়াগী স্পোর্টস মিনিষ্ট্রিনা গোল্ড কোষ্ট কম্মনৱেল্থ গেমস অদুদা শরুক য়াগদৌরিবা শান্নরোই অমদি ওফিসিয়েলশিং অদুগী অকুপ্পা মরোল স্পোর্টস মিনিষ্ট্রিগী মায়কৈদগী ঙসি অথেংবদা লিষ্ট অমা পীরকপনি।

লিষ্ট অদুদা এঠলিট ২২১, কোচ ৫৮, ডোক্তর অমসুং ফিজিওথেরাপিস ১সু শরুক য়ারি। অদুগা অতোপ্পা মীওই ৭ কী মমিং অদু ওফিসিয়েল ওইবগী খুদোংচাবা ফংখি।

ইন্দিয়াগী মায়কৈদগী গোল্ড কোষ্ট কম্মনৱেল্থ গেমস অদুদা গোল্ড মেডল ফংগনি হায়না চাওনা আশা তৌরিবা ইভেন্ট অদু বেদমিন্টননি। মমাঙদা ৱার্ল্ড কপ বেদমিন্টন চেম্পিয়ন্সিপ্তা সিলভর মেডল ফংবা ঙমখ্রবী পি ভি সিন্ধুনা সিদনিগী কম্পিটিসন অদুদা ইনিদয়াগী অতোপ্পা টিমশিংগী মহুৎ শিল্লগা হৌদোকপগী থৌরমদা ফ্লেগ পায়দুনা কন্টিনজেন্ট অদুবু লুচিংগদৌরি।

পুন্না ইন্দিয়াগী এঠলিট ২২১ গী মনুংদা এঠলেটিক্সকী অমদি সুট্টিংগী শান্নরোইশিংনা য়ামদ্রবদা শান্নরোই ২১ অমসুং ২৭ শরুক য়াহন্দুনা অতোপ্পা লৈবাকশিংগী শান্নরোইশিংবু অকনবা লম্বা পীবা ঙমগদৌরি।

ইন্দিয়াগী কন্টিনজেন্ট অসিদা বেদমিন্টনগী দিসিপ্লিনদা শান্নরোই ১০ শরুক য়াদুনা অচৌবা পাঙ্গল লৈদুনা মেডল কয়া পুরকপা ঙমগনি হায়বগী থাজবা লৈরি। টিম অসিদা ৱার্ল্ড নম্বর টু ওইরিবা নুপাগী শান্নরোই কিদম্বি শ্রিকান্থনা লুচিংবা নুপাগী শান্নরোইশিংসু ইন্দিয়াগী নুপীগী টিম লুচিংলিবী পি ভি সিন্ধুগী পাঙ্গলগা মান্ননা গোল্ড মেডল মশীং খ্বাইদগী য়াম্না লৌবা দিসিপ্লিন অমা ওইগনি হায়না থাজনরি।

ইন্দিয়ান ওলিম্পিক্কী প্রসিদেন্ট ওইরিবা নরিন্দর বত্রনা কম্মনৱেল্থ গেমস অসিদা শান্নরোই অমদি ওফিসিয়েলগী চয়েৎনবা লৈখিবা অদু হৌজিক্তি লৈত্রে হায়না মহাক্না মখা তানা শেংদোকখি।

| S No | Sports Discipline | Athletes | | Coaches | Managers | Doctors | Physiotherapist | Masseur/ Masseuse | Contingent officials | Others | Technical Officials | Total |
|---|---|---|---|---|---|---|---|---|---|---|---|---|
| | | Male | Female | | | | | | | | | |
| 1 | Athletics | 18 | 13 | 8 | 1 | - | 1 | 2 | - | - | - | 43 |
| 2 | Badminton | 5 | 5 | 3 | - | - | 3 | - | - | 2 | - | 18 |
| 3 | Basketball | 12 | 12 | 4 | 2 | - | 2 | - | - | - | - | 32 |
| 4 | Boxing | 8 | 4 | 5 | - | 1 | 2 | - | - | - | 1 | 21 |
| 5 | Cycling | 4 | 5 | 3 | - | - | - | - | - | - | 1 | 13 |
| 6 | Gymnastics | 3 | 4 | - | - | - | - | - | - | - | - | 7 |
| 7 | Hockey(M) | 18 | - | 3 | - | - | 1 | 1 | - | 1 | 1 | 25 |
| 8 | Hockey(W) | | 18 | 3 | - | - | 1 | 1 | - | 1 | 1 | 25 |
| 9 | Lawn Bowls | 5 | 5 | 2 | - | - | - | - | - | - | - | 12 |
| 10 | Para Powerlifting | 3 | 1 | 1 | 1 | - | - | - | - | - | - | 6 |
| 11 | Para Table Tennis | | 2 | 1 | - | - | - | - | - | - | - | 3 |
| 12 | Para Swimming | | 2 | 1 | - | - | - | - | - | 1 | - | 4 |
| 13 | Shooting | 15 | 12 | 10 | - | - | - | - | - | - | - | 37 |
| 14 | Squash | 4 | 2 | 2 | - | - | 1 | - | - | - | - | 9 |
| 15 | Swimming | 3 | - | 1 | - | - | - | - | - | - | - | 4 |
| 16 | Table Tennis | 5 | 5 | 2 | 2 | - | 1 | 2 | - | - | - | 17 |
| 17 | Weightlifting | 8 | 8 | 4 | 1 | - | - | - | - | - | - | 21 |
| 18 | Wrestling | 6 | 6 | 5 | - | - | 2 | - | - | - | - | 19 |
| 19 | Chef de Mission | | - | - | - | - | - | - | 1 | - | - | 1 |
| 20 | Contingent Officials | | - | - | - | - | - | - | 5 | 1 | - | 6 |
| 21 | Contingent Medical Staff | | - | - | - | 1 | 1 | - | - | - | - | 2 |
| | Total | 117 | 104 | 58 | 7 | 2 | 15 | 6 | 6 | 6 | 4 | 325 |

## মিয়ামী ওপন টেন্নিস টুর্নামেন্টকী নুপাগী সিঙ্গলস কাঙলুপ্তা জপানগী কৈ নিসিকোরিবু থোইদুনা আর্জেন্টিনাগী দেল পোত্রো প্রি–ক্বার্টর ফাইনেল য়ৌখ্রে

*মিয়ামী, মার্চ ২৬ ঃ*

য়ুএসএগী ষ্টেট ফ্লোরিদাদা পাঙথোক্লিবা মিয়ামী ওপন টেন্নিস টুর্নামেন্ট নুপাগী সিঙ্গলসকী অহুমশুবা রাউন্দগী মেটচ অমদা টুর্নামেন্ট অসিগী ২৬শুবা সিদেদ শান্নরোই ওইরিবা জপানগী কৈ নিসিকোরিবু ৫শুবা সিদেদ শান্নরোই আর্জেন্টিনাগী জোন মার্টিন দেল পোত্রোনা মায়থিবা পীদুনা টুর্নামেন্ট অসিগী প্রি–ক্বার্টর ফাইনেল য়ৌবা ঙমখ্রে।



*নুপাগী সিঙ্গলসকী ৩শুবা রাউন্দদা জপানগী নিকিকোরিবু থোইদুনা প্রি–ক্বার্টর য়ৌখ্রবা আর্জেন্টিনাগী পোত্রো (য়েৎ)*

মমাঙদা নুপাগী সিঙ্গলসকী মকোক থোংবা শান্নরোই ৫ ফাওবগী মনুং চল্লম্লবা জপানগী কৈ নিসিকোরি মশা শোকপদগী মতম কয়া ইন্টরনেসনেল টুর্নামেন্ট শরুক য়ারুদ্রবা মতুং নৌনা শান্নরকপদা মিয়ামী ওপনগী অহুমশুবা রাউন্দদা আর্জেন্টিনাগী দেল পোত্রোগী মখূত্তা ২–৬, ২–৬ তা মায়থিবা নংদুনা পোত্রোনা প্রি–ক্বার্টর ফাইনেলদা ফ্রান্সকী বি পাইরেবু ৬–৩, ৬–৩ দা থোইরম্বা স্লোভাকিয়াগী এফ ক্রাজিনোভিসকা লম্বা তৌনরগনি।

টুর্নামেন্ট অসিদা ৩শুবা সিদেদ ওইরিবা নুপাগী শান্নরোই বলগেরিয়াগী গ্রিগোর দিমিত্রোভ অহুমশুবা রাউন্দদা ফ্রান্সকী জেরিমী চার্দিগী মখূত্তা ৪–৬, ৪–৬ তা মায়থিহৌখি। চার্দিনা প্রি–ক্বার্টর ফাইনেলদা আর্জেন্টিনাগী শান্নরোই দি স্বাটচমেনবু ৭–৬(৭–৫), ৬–৩ দা থোইরম্বা কানাদাগী মিলোস রাউনিক্কা লম্বা তৌনরগনি।

টুর্নামেন্ট অসিগী নুপাগী অনীশুবা সিদেদ শান্নরোই ওইরিবা ক্রোএসিয়াগী মারিন সিলিকনা মহাক্কী অহুমশুবা রাউন্দগী মেটচতা কানাদাগী ভি পোস্পিসিলগা অকনবা লম্বা থেংনরগা ৭–৫, ৭–৬(৭–৪) দা মায় পাক্তুনা প্রি–ক্বার্টরদা রুশিয়াগী মিখেল য়োজনিবু ৬–৪, ৬–৩ দা থোইরম্বা য়ুএসএগী জোন ইসনরগা লম্বা তৌনরগনি।

সাউথ কোরিয়াগী হ্যুন চুংনা মহাক্কী অহুমশুবা রাউন্দগী মেটচতা য়ুএসএগী এম মোবু য়াম্না কোম্না ৬–১, ৬–১ দা থোইরগা অতোপ্পা য়ুএসএগী শান্নরোই জে ডোনাল্ডসনবু ১–৬, ৬–৩, ৬–৪ দা থোইখিবা পোর্টুগালগী শান্নরোই জে সোজাগা প্রি–ক্বার্টর ফাইনেলদা লম্বা তৌনরগনি।

মিয়ামী ওপন টেন্নিস টুর্নামেন্ট অসিগী নুপীগী সিঙ্গলস কাঙলুপ্তা ৪শুবা সিদেদ য়ুক্রেনগী এলিনা স্বিটোলিনানা ওষ্ট্রেলিয়াগী দারিয়া গাভ্রিলোভাবু ৪–৬, ৬–০, ৬–১ দা অহুমশুবা রাউন্দগী মেটচ মায় পাক্তুনা ক্রোএসিয়াগী পি মার্টিকপু ৬–৪, ৬–৩ দা থোইরম্বী ওষ্ট্রেলিয়াগী এ বার্টিগা প্রি–ক্বার্টর ফাইনেলদা লম্বা তৌনরগনি।

টুর্নামেন্ট অসিগী ওইনা ৬শুবা সিদেদ ওইরিবী লাটভিয়াগী জেলেনা ওষ্টাপেনকোনা অহুমশুবা রাউন্দদা ব্রাজিলগী বি হদাদ মায়াবু ৬–২, ৭–৬(৭–২) দা থোইদুনা প্রি–ক্বার্টর ফাইনেল মেটচতা য়ুএসএগী এস কেনিনবু ৩–৬, ৬–২, ৬–৪ দা থোইরম্বী ৯শুবা সিদেদ শান্নরোই জেক রিপব্লিক্কী পেত্রা কিটোভাগা লম্বা তৌনরগনি।

টুর্নামেন্ট অসিগী য়ুম্বু লৈবাক য়ুএসকী শান্নরোই ভেনস ৱিলিয়মসনা নেদরলেন্দসকী কিকি বর্টেন্সপু ৫–৭, ৬–৩, ৭–৫ দা থোইদুনা প্রি–ক্বার্টরদা বেলজিয়মগী ই মার্টেন্সপু ৬–২, ৬–১ দা থোইরম্বী বৃটেনগী জোহানা কোন্টাগা লম্বা তৌনরগনি।

প্যুটো রিকোগী এম প্যুগনা গ্রিসকী এম সাকারিবু ৬–৩, ৭–৫ দা মায়থিবা পীদুনা ৪শুবা রাউন্দদা ক্রোএসিয়াগী বেকিকপু ৪–৬, ৬–২, ৬–১ দা থোইরম্বী য়ুএসকী কোলিন্সকা শান্নরগনি।

## ২শুবা ইন্দিয়ান ৱুমেন্স ফুটবোল লীগ টুর্নামেন্টকী অহৌবা মেটচতা মমাঙগী চেম্পিয়ন মণিপুরগী ইএসয়ু মায় পাকখ্রে, উরিষাগী রাইজিং ষ্টুদেন্ট ক্লবনা মাঙজিল থারি

*শিল্লং, মার্চ ২৬ঃ*

অৱাং নোংপোক ষ্টেট অমা ওইরিবা মেঘালয়াগী কোনুং শিল্লংদা লৈবা জৱাহরলাল নেহরূ ষ্টেদিয়মদা ঙসিদগী হৌখিবা ইনিদয়াগী নুপীগী ফুটবোল লীগ টুর্নামেন্টকী অনীশুবা সিজনগী অহানবা মেটচতা মমাঙগী চেম্পিয়ন মণিপুরগী ইষ্টর্ন স্পোর্টিং য়ুনিয়র মায় পাকখ্রে, অনীশুবা মেটচতা উরিষাগী রাইজিং ষ্টুদেন্টনা মখোয়গী লম্বা থোইদুনা গোল স্কোরদা হেন্দুনা পোইন্ট টেবলদা মাঙজিল থারি।



*হিরো আইদব্লিয়ুএলগী মেটচ অমদা ইএসয়ুগী শান্নরোইনা বোল পুবা*

ঙসি শিল্লংগী জৱাহরলাল নেহরূ ষ্টেদিয়মদা শান্নখিবা হিরো ইন্দিয়ান ৱুমেন্স ফুটবোল লীগকী অনীশুবা সিজনগী অহানবা মেটচ অদু মমাঙগী সিজনগী চেম্পিয়ন মণিপুরগী ইষ্টর্ন স্পোর্টিং য়ুনিয়ন অমসুং পোদুচেরিগী টিম অমা ওইরিবা ইন্দিরা গান্ধী একাদেমী ফোর স্পোর্টস এন্দ ইদুকেসন (আই জি এ এস এন্দ ই) গা লম্বা তৌনবদা অহানবা হাল্ফ অদুদা ইএসয়ুগী মায়কৈদগী বোল হেন্না পায়দুনা শান্নবগী ২৫শুবা মিনটতা টিম অদুগী কাসিমানা মেটচ অদুগী অহানবা পাঙ্গল অদু চনখি।

শান্নবগী অহানবা হাল্ফ লোইগদবা মিনট ২ দা ঙাইরবা মতমদা আই জি এ এস এন্দ ইগী মায়কৈদগী পারোমিতানা ইক্বেলাইজর অদু চনবা ঙমদুনা অহানবা হাল্ফ অদু পাঙ্গল অমমমদা লৈনখি।

মেটচ অদুগী অনীশুবা হাল্ফ শান্নরকপা মিনট ২ খক চঙশিল্লকপদা ইএসয়ুগী মায়কৈদগী প্রামেশ্বরীনা পাঙ্গল অমা চন্দুনা আই জি এ এস এন্দ ইবু পাঙ্গল ২–১ দা মাঙজিল থাদুনা চৎখি। অদুবু প্রামেশ্বরীগী পাঙ্গল অদুগী থংনবা মিনটতা আই জি এ এস এন্দ ইগী মায়কৈদগী শরুক য়ারিবা সন্ধ্যানা টিম অদুগী অনীরকশুবা সক্বেলাইজর অদু চল্লগা ইন্দিয়ান ৱুমেন্স লীগকী অনীশুবা সিজনগী অহানবা মেটচ অদু টিম অনীমক পাঙ্গল ২–২ চন্নদুনা লৈখি।

মেটচ অদুগী মখা চথরকপা ৫৯শুবা মিনটতা ইষ্টর্ন স্পোর্টিং য়ুনিয়নগী টিম অদুগী অনীশুবা পাঙ্গল চনখিবা প্রামেশ্বরীনা পাঙ্গল অমা হাপচিল্লগা আই জি এ এস এন্দ ইবু পাঙ্গল ৩–২ দা মাঙজিল থারগা লৈবা ঙমখি।

শান্নবগী লেমহৌবা মিনট ৩১ রোমগী মতম অদুদা আই জি এ এস এন্দ ইকী মায়কৈদগী মখা তাবা পাঙ্গল চনবা ঙমদবা মরম্না ইষ্টর্ন স্পোর্টিং য়ুনিয়রনা ৩–২ দা থোইখি।

লীগ অসিগী ঙসি শান্নখিবা অতোপ্পা মেটচ অমদা উরিষাগী রাইজিং ষ্টুদেন্টনা গোকুলাম কেরালবু পাঙ্গল ২–০ দা থোইখি। মেটচ অদুগী অহানবা পাঙ্গল লৈনখিদ্রবা মতুং রাইজিং ষ্টুদেন্ট ক্লবতা শরুক য়ারিবী মণিপুরী মচা ঙৌবী দেবীনা শান্নবগী ৭৩ শুবা মিনটতা অহানবা পাঙ্গল চনখি।

মহাক্কী পাঙ্গল অদুগী মতুং মিনট ৩ লাম্থোক্ত্রিঙৈ মনুংদা টিম অদুগী অতোপ্পা শান্নরোই অঞ্জু তমাংনা ৭৬শুবা মিনটতা টিম অদুগী অনীশুবা পাঙ্গল অদু হাপচিল্লগা গোকুলাম কেরলাবু ২–০ দা থোইরগা লীগ অসিগী অনীশুবা সিজনগী পোইন্ট টেবলদা মমাঙগী চেম্পিয়ন ইএসয়ুদগী গোল দিফরেন্সতা অমা হেল্লগা মাঙজিল থাদুনা লৈরি।

লীগ অসিগী টিম ৭ না শরুক য়ারিবা লম্বাদা হয়েং মণিপুরগী ক্রিপ্সা ক্লবনা তামিল নাদুগী সেথু ফুটবোল ক্লবকা শান্নরগনি।

## পঞ্জাবনা কর্নাতকাবু পাঙ্গল ২–১ দা থোইদুনা সন্টোস ট্রোফিগী সেমি ফাইনেল য়ৌবগী লম্বেল অমা শেমখ্রে, গোৱানা উরিষাবু পাঙ্গল ৬–১ দা থোইখ্রে

*কোলকতা, মার্চ ২৬ ঃ*

ইন্দিয়াগী ষ্টেটশিংগী ওইবা স্বাইদগী লিরবা অমদি মরুওইবা টুর্নামেন্ট অমা ওইরিবা সন্টোস ট্রোফি নেসনেল ফুটবোল টুর্নামেন্টকী ঙসি শান্নখিবা গ্রুপ 'বি' গী মেটচ অমদা কর্নাতকাবু পঞ্জাবনা পাঙ্গল ২–১ দা থোইদুনা সেমি ফাইনেল য়ৌবগী লম্বেল শেমখ্রে। অতোপ্পা গ্রুপ অসিগী মেটচ অমদা গোৱানা উরিষাবু পাঙ্গল ৬–১ দা থোইদুনা মখোয়গী অহানবা মায় পাকপা ওইখ্রে।

কোলকতাগী হাওরাদা লৈবা সাইলেন মনা ষ্টেদিয়মদা চথরিবা সন্টোস ট্রোফি ফুটবোল শান্নখিবা গ্রুপ 'বি' গী মেটচতা কর্নাতকানা পঞ্জাবগী মায়কৈদা শান্নবগী ৭শুবা মিনটতা এস রাজেসনা পেনাল্টি অমগী মতেংনা অহানবা পাঙ্গল চনখি।

মেটচ অদুগী মখা চথরকপদা পঞ্জাবগী জিটেন্দর রাৱটনা ১৮শুবা মিনটতা ইক্বেলাইজর চল্লবা মতুং টিম অদুমক্কী শান্নরোই বাল্টেজ সিংহনা চনখিবা ২৬শুবা মিনটকী পাঙ্গল অদুনা মেটচ অদু কর্নাতকাবু পঞ্জাবনা ২–১ দা থোইরগা সন্টোস ট্রোফি ফুটবোল টুর্নামেন্ট অসিগী সেমি ফাইনেলগী আশা অমা লৈরিবনি।

গ্রুপ অসিমক্কী অতোপ্পা মেটচ অমদা গোৱাগী ভিক্তোরিনো ফর্নান্দেজনা চনখিবা হেটট্রিক অমদি টিমমেট এম পৈসিটো, সুবর্ত পৈরেরা অমদি মার্কস মস্কারেনহাসনা চনখিবা পাঙ্গলনা উরিষাগী সুনিলগী পাঙ্গল অমবু হেন্দুনা ৬–১ দা থোইখি। মায় পাকপা অদু গোৱাগী ওইনা টুর্নামেন্ট অসিগী অহানবা ওইরি।

## ইন্দিয়াগী নম্বর ৱান নুপাগী টেন্নিস শান্নরোই ভাম্ব্রি দেবিস কপ টাই শান্নবা য়াওরোইদৌরি

*ন্যু দিল্লি, মার্চ ২৬ঃ*

চৎলিবা চহী অসিগী এপ্রিল ৬ অমসুং ৭ তা চাইনাগী সিটি টিয়ানজিনদা ইন্দিয়ানা চাইনাগা শান্নগদৌরিবা এসিয়া /ওসিনিয়া গ্রুপ ৱানগী অনীশুবা রাউন্দগী মেটচতা ইন্দিয়াগী মরুওইবা শান্নরোই অমা ওইরিবা য়ুকি ভাম্ব্রি শোকপদগী শরুক য়ারোইদৌরি।



চৎখিবা চহীগী সেপ্টেম্বর থাদা ইন্দিয়াগী টিম অসি কানাদাগা শান্নবদা মেটচ ২–৩ দা মায়থিদুনা ৱার্ল্ডগ্রুপকী প্লে ওফতা লৈহৌবনি। এসিয়া / ওসিনিয়াগী গ্রুপ ৱানদা মকোক থোংবা টিম ওইনা অহানবা রাউন্দ বাই ফংদুনা চাইনাগা অনীশুবা রাউন্দ শান্নগদবা ইন্দিয়াগী নুপাগী ৱার্ল্ড রেঙ্কিংদা ১০৭শুবদা লৈরিবা য়ুকি ভাম্ব্রি মহাক্কী মবুক্তা শোকপা অমা লৈবদগী চাইনাগা শান্নগদৌরিবা টাই অদুদা শরুক য়াবা ঙম্লোইদৌরিবনি।

ইন্দিয়াগী দেবিস কপ টিম অসি কুমজা ২০১৪ দা সর্ভিয়াগী মখূত্তা ৱার্ল্ড গ্রুপ মায়থিখ্রবা মতুং নৌনা গ্রুপ অসিদা ক্বালিফাই ওইনবা হোৎনরিবনি।